ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়গী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই তরুক্কী বেল হিয়ারিং এপ্রিল ৩ দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) :
মমাঙ থাগী ২৭কী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দগী শুপ্পন্ততগী কিলোমিটর অমা মখায়রোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা চহী ১৮ খক্তা ঙাঁইরিবা নুপামচা অমা লৈখিদবা অমসুং মীওই অহুম্লুনা শোকহনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাজিন্দুনা থল্লক্লিবা মীওই তরুক্কী বেল হিয়ারিং মথং থাগী ৩দা পাঙথোক্লনবা কোর্টনা লেপখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ৩৩ (২) ২০২১নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০৭, ৫০৬, ৩২৬, ৩০২, ৩৪ অমসুং আর্মদ এক্টকী সেক্সন ২৫ (১-সী) গী মখাদা লৌখৎপনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা এক্যুইজশিংনি হায়দুনা ফাগৎখিবা মীওইশিংনা ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দগী লোংজম রাকেস কুমার (৪৫) অমসুং মহাক্কী অপোকপা এল অচৌ (৭৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইবোতোন, মহাক্কী মনাওনুপা লোংজম লাংকেশ্বর এলিয়জ পিটো (৭৩), এল লাংকেশ্বরগী মচানুপা চিত্তরঞ্জন (৫০), নিরঞ্জন (৩৮) অমসুং মনোরঞ্জন (৩৫) নি।

পুলিসকী মায়কৈদগী এক্যুইজ শিংনি হায়না চার্জ তৌরক্লিবা মীওইশিং অসিনা মখোয়দা চার্জ তৌরিবা ৱাফমশিং অদুবু ওবজেক্সন তৌরকপগা লোয়ননা মখোয়বু কেস অসিদগী বেলদা থাদোকপীনবা এপ্লিকেসনশিং চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবনি।

লোয়ননা বেল এপ্লিকেসনশিং অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু লৌখৎতুনা খন্নবদা মখোয়বু বেল পীবা নৎত্রগা পীদবগী মতাংদা লৈখায় তাখিদবদগী ঙসি অমুক হন্না মীওই তরুক অসিনা ফাইল তৌরকখিবা মখোয়গী বেল এপ্লিকেসনশিং অদু লৌখৎতুনা মসিগী হিয়ারিং পাঙথোকখিবনি।

কোর্টনা এক্যুইজশিংনি হায়দুনা পুলিসনা চার্জ তৌরিবা মীওইশিং অসিগী বেল মেট্টরশিং অসি লৌখৎলকপদা মখোয়গী মহুৎ শিনবা কাউন্সেলশিং অমসুং প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর (এ পি পি) এম জমুনানা সবমিট তৌরকখিবা ৱাফমশিং কোর্টনা তাখি।

মীওই তরুক অসিগী মনুংদগী লোংজম লাংকেশ্বর এলিয়জ পিটোগী মায়কৈদা লেপখিবা মহাক্কী কাউন্সেলনা কোর্টতা থমখিবদা মহাক মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাগী মেদিকেল ওফিসর অমসুং জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী মায়কৈদগী মহাকপু ত্রিটমেন্ট তৌখিবগী মেদিকেল রিপোর্টশিং কোর্টতা সবমিট তৌখি। লোয়ননা এল লাংকেশ্বর এলিয়জ পিটো হায়রিবা মীওই অসি মশাগী চহী ৭৩ শুরবগা লোয়ননা মহাক্কী মেদিকেল রিপোর্টশিং অসিদা মহাক ক্রোনিক দাইএবেটিস টাইপ টু অমসুং হায়পরটেন্সনগা লোয়ননা রিনেল (কিদনি) গী কমপ্লিকেসনশিং মায়োক্লরিবা মীওইনি।

মেদিকেল রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না মীওই অসি জেলগী মেদিক্কেল রুমদা লায়েংবদা ফগৎলকপগী মমি উদ্দবদগী থা অসিগী ১৭ অমসুং ১৯দা জেনিমসতা রিফর তৌদুনা লায়েংখি। মফম অদুদা মহাক দাইবেটিস টাইপ টুগী লায়না লৈবগী মথক্তা কিদনিদা নুঙ লৈবগী খুদোংচাদবসু মায়োক্লে হায়খি।

লোয়ননা মীওই অসিবু তোঙান তোঙানবা টেষ্টশিংগী মনুংদা হোলটর মোনিটোরিং, কিদনি ফঙ্কসন টেষ্ট, লিভর ফঙ্কসন টেষ্ট, ঈ সী জি অমদি টি এম টিনচিংবগী ইনভেষ্টিগেসন তৌগদবা মরম্না হায়রিবশিং অসিগী খুদোংচাবদি শজিৱা জেলদা লৈতবা মরম্না মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা হায়জখি।

কাউন্সেলগী ৱাফম অসি তারবা মতুংদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী এ পি পি এম জমুনানা ৱাফমশিং অসিবু অকনবা মওংদা ওবজেক্সন তৌখিবগা লোয়ননা এল লাংকেশ্বর এলিয়জ পিটোগী মতাংদা সবমিট তৌরক্লিবা মেদিকেল রিপোর্টশিং অদুবুসু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ওবজেক্সন তৌখিবগী মরমনা মীওই অসিনা কম্মিট তৌখিবা ক্রাইম অদু য়াম্না শাথিবা ক্রাইম অমনি হায়খি। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকী মতুংইন্না ইনভেষ্টিগেসনগী থবক হৌজিক অকনবা মওংদা চথুরি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা ভিক্টিম ওইহৌরবশিংগী হকচাংগী ফীভমশিং হৌজিক ফাওবা ফগৎলকপা লৈত্রি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা শোকখিবী নাওরেম ওংবী ইনাওগী মশাদগী নোংমৈ মরূ ২৩ হেন্না লৌথোক্কদবা ৱাৎলি। অদুগা নাওরেম ওংবী হেমাবতিগী মশাদগীনা নোংমৈ মরূ ৪ লৌথোক্কদবা ৱাৎলি হায়বগা লোয়ননা নাওরেম নিংঙোল থোইবীসনাগীনা মহাক্কী মখোঙদা য়োৎ ফুমদুনা লায়েংবদগী ফগৎলক্কদবা ৱাৎলি। হায়রিবা তাঞ্জা অসি থৌদোক্তুদা শোক্লবা ভিক্টিমশিং অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংগী ষ্টেটমেন্ট ফাওবা রেকোর্দিং তৌগদবা ৱাৎলিবনা করিগুম্বা মীওই অসি বেলদা থাদোকখিবা তারবদি পুলিসনা চথুরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক অসি অরেম্বদা তারগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

লোয়ননা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন মপূং ফানা লোইশিনদ্রিবা ফাওবদি বেল এপ্লিকেসনশিং অসি রিজেক্ট তৌবীনবা সবমিসন তৌরকখি। কোর্টনা নাকল অনীমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিগী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা শোকপদগী লায়কন্নরিবা ভিক্টিমশিং অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়বগা লোয়ননা এল লাংকেশ্বর এলিয়জ পিটোসু মশাগী চহী ৭৩ শুজিল্লক্লবনা মহাকপুসু মেদিকেল্লি সেরিয়স ওইনা উরে হায়খি। লোয়ননা মহাক য়াওনা বেল এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌরক্লিবশিং অসিগী মায়োক্তা পুলিসকী মায়কৈদগী মথং থাগী ৩ ফাওবগী মনুংদা বেল ওবজেক্সন রিপোর্টশিং শোয়দনা সবমিট তৌরক্কবা খঙহনখিবগা লোয়ননা শজিৱা জেলগী এস পিদনা এল লাংকেশ্বরবু রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা লায়েংলগা মদুগী রিপোর্ট অমা মথংগী কেস অসিগী নুমিৎতা সবমিট তৌরক্কবা খঙহনখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.482065
US Dollar	72.565395
British Pound	99.899528
Australian Dollar	55.287623
Chinese Yuan Renminbi	11.090450
Japanese Yen	0.661309
Malaysian Ringgit	17.503096
Singapore Dollar	53.881122
South Korean Won	0.064133
Saudi Arabian Riyal	19.350772
Thai Baht	2.333332

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up-to 11/02/21.
Valid from 4/02/21.
Home delivery only......
Contact no. 9089709738, 8794622868
Office timing 8.00AM to 11AM
Will be delivery for 3days.
IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery only.
Booking upto:16/03/21.
Submit House no. LPG ID no. Address with landmark. Also digital transaction.Online payment encouraged.update photo on gas card. 5kgs available. Enquiry nos.6009392991, 8014389420, 9612718751. Enquiry time: 8.30am to 1.00pm. please don't contact driver & handyman except office no. Update photo on GAS BOOK.
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 04-03-21
B/upto - 08-03-21
Stock 306
7am to 10am
M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no 100 A&B of 10/03/2021
Valid from 01/03/21
Time 7.30 to 11am
M/S ASHANGBI INDANE,-SUGNU
B/upto-10-02-021.
V/from-01-02-021.
Stk-306.
only home delevery. Call -7629966437.
Time - 8 to 2pm
HARAN VALLEY, KWAKTA.
Booking up to: 26/03/2021
Valid from: 17/03/2021
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 11:00am
KHUMBONG INDANE
Booking upto 28-01-21
Valid from 26-01-21
Office no.9774068549
Home delivery contact no.7005013837
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 10.30am
POROMPAT INDANE GAS/ POROMPAT:
Booking up to 19/02/21
Valid from 05/02/21
Queries : 9366184547
Time 8:00 am to 10:00 am
First come first serve
No booking slip no delivery
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-26/03/2021
Valid from-10/03/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 02/03/2021
BOOKING UPTO: 05/03/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM
MAIBIA GAS MOIRANG:
BOOKING UPTO:19/02/2021,
VALID FROM: 18/02/2021;
STOCK= 306;
(HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN -7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/AMARJIT- 9862710469 (KUMBI A/C). BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী ফমশিং এক্সপান্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) :
ওল মণিপুর ভি দি এফ (ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স) ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মণিপুরদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী লুচিংবশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা হৌখিবা মার্চ ২০ দা ইম্ফালগী মফম অমদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ফমশিং এক্সপান্সন তৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি নাওরেম রামেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা হায়, ফম এক্সপান্সন তৌদুনা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী নৌনা খনখ্রবা লুচিংবশিং অদুদি এদভাইজর ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ততগী লাইশ্রম দেবান, জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন কম স্পোক্স পার্সন ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ততগী এম দি রিয়াজ খান, জোইন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ততগী টি ঐচ অনন্দ, অহুমশুবা কেসিয়র ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ততগী নিংথৌজম সঞ্জিৎ, এসিষ্টেন্ট কেসিয়র ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ততগী কোন্সম বিক্রম, এসিষ্টেন্ট জোইন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ততী এল সুরেল অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী কে ঐচ জোন মৈতে, এসিষ্টেন্ট স্পোক্সপার্সন ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ততী ৱাই রোমেনজিৎ, এসিষ্টেন্ট ওদিটর ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ততগী বি এম হাসন খনখ্রে হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সী এমগা উন্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) :
এন সী সী দিরেক্তোরেট নোর্থ ইষ্ট রিজনগী এ দি জি মেজর জেনরেল অনন্ত ভুয়াননা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

বি আই বি (দিফেন্স রিং) দগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জেনরেল ওফিসরনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিবা মফমশিংদা এন সী সীগী থবক থৌরমশিং পাকথোক চাওথোকহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। চীফ মিনিষ্টরনসু লমদম অসিগী নহারোলশিং শেমগৎপদা এন সী সীনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎপা ফোঙদোকখি।

৪১শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে ...

*লামায় ১গী মখা...*আর্মিশিংদা তাহনখি। লোইলম লৈঙাক্লা নমদুনা মুনবিখিবা ইমা লৈবাক্কী মাঙখিবা নীংতম্বু অমুক হঞ্জিনহন্দুনা লমদমসিদা নীংতম্বা চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমা লৈবাক মীয়ামদা পীনবগীদমক হনবা লৈতনা নীংতম লাঞ্জং চঙশিল্লিবা অসিদা রেদ আর্মিশিংনা ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়ন ফোর্সতা অফোংবা অমদি অরোনবগী লান্দা কয়া চথদুনা লমদমসিদা নীংতম য়াওল লাঙ্গেং অমা চথুরি হায়বসি মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্দুনা লাক্লি। প্রিপাক্লা পাল্লিবা পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা রেদ আর্মিশিংগী কথোকপগা লোয়ননা হনবা লৈতবা থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা লেপ্পা লৈতনা য়েক্লবা ইন্দিয়ন ফোর্সকী মথক্তা অকনবা লান্দা চথখিগনি। লৈবাক মীয়াম্নসু রেদ আর্মিশিংবু থৌনা হাপ্পীদুনা ইমা লৈবাক্কীদমক নোক্লা নোক্লা থৱায় থাবা ঙক্কগী থৌনা পীনবীয়ু হায়নসু লোনা অথিংবা থমখ্রগা প্রিপাক্কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সুপ্রিম কোর্টনা এপ্রিল ৭তা হেনরিগী...

লামায় ১গী মখা... দিরেক্সন পীরকখ্রবা মতুংদা ঙসি পিটিম্নর ওইরিবা ও হেনরিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা এপেক্স কোর্ট অসিদা সিভিল রিট পিটিসন অসি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎপীয়ু অমসুং মসিবু খন্নবীদুনা কোর্টনা পীবিফম থোকপা ৱায়েল পীবিনবগীদমক মেন্সন তৌখি হায়রি।

পিটিম্নর কাউন্সেলগী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরী লৈনবা ওথোরিটি অমসুং চীফ জষ্টিসতা মেন্সন তৌনবগীদমক হায়জখিবা ৱাফম অদুদা অয়াবা পীরকখিবগা লোয়ননা ও হেনরিগী সিভিল রিট পিটিসন অসি মথং থাগী ৭তা লিষ্ট তৌদুনা খন্নরগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ও হেনরি মশামক্লা পিটিম্নর ওইরিবা পিটিসন অসি থা অসিগী ১৫গী নুংথিলদা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌখিবনি। অদুগা পিটিসন অদু এপেক্স কোর্ট অসিনা থা অসিগী ১৭তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

পিটিসন অসিদা পিটিম্নরনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবনা ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি, য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা চীফ সেক্রেটরি (কেবিনেট সেক্রেটরিএট), লম্ফেল পাৎতা লৈরিবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর অমসুং কুমজা ২০১৭কী মার্চ ৪দা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা পিটিম্নর অসিগা লম্না তৌনখিবা য়ুমখাম ইরাবোত অমসুং রাজকুমার প্রিয়োবর্ত্তনি। মীখল অসিগী রিজল্টদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা ও হেনরিনা ভোট ১৬,৭৫৩ ফংলগা ৱাই ইরাবোতনা ভোট ১২,৪১৭ ফংখি। অদুগা আর কে প্রিয়োবর্ত্তনা ভোট ১৪৯ ফংখিবনি। ৱাই ইরাবোত অমসুং আর কে প্রিয়োবর্ত্তনা মথংশিংনা বি জে পি অমসুং ওল ইন্দিয়া তৃনামুল কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবনি।

'থবাতোন-৪ অমসুং ৫' গী য়াইফ থৌনি থৌরম কোর্টনা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরগী মমিং লৈরবা ভিদিও ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা 'থবাতোন' অমসুং ফিল্মসিগী পার্ট টু অমসুং থ্রী পুথোকখ্রবা মতুংদা মসিগী পার্ট ফোর অমসুং ফাইভকী য়াইফ থৌনি থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুরগী লৈশ্রামদা লৈবা ৱারোই গার্দেনদা পাঙথোক্কনি থৌরাংখিবা অদু দিষ্ট্রিক্ট জজ ইম্ফাল ৱেষ্টনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা থমজিনখ্রে।

কোর্টকী ওর্দর অসি ভিদিও ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর সুরজিৎকান্ত নিংথৌখোংজম (৪৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন ভেগ্য, মোংশাঙ্গৈ ময়ায় লৈকায়দা লৈবনা কোর্ট অসিদা মহাক্কী অয়াবা য়াওদনা অমসুং কোপি রাইট এক্ট, ১৯৫৭কী সেক্সন ৬০গী মখাদা ফাইল তৌরকখিবা ওরিজিনেল সুইট অমগী ৱায়েলদা পীখিবা মরক্কী ওর্দরনা খঙহনখিবনি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী হিয়ারিং মথং থাগী ৮দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

উমং মৈ থাদনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : মীওইবা খুন্নাইগী তাঙলবা লন ওইরিবা উমং মৈ থাবগী থৌওং চথদনবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপল চীফ কঞ্জর্ভেটর ওফ ফোরেষ্টনা খঙহল্লক্লি।

হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স (ঐচ ও এফ এফ) সু ওইরিবা প্রিন্সিপল চীফ কঞ্জর্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট কে অঙ্গামিনা থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না উমং মৈ থাবগী থৌওং অসি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট এক্ট ১৯২৭ কী সেক্সন ২৬ অমসুং মণিপুর ফোরেষ্ট রুলস ১৯৭১ গী রুল নম্বর ৯ গী মতুং ইন্না চৈরাক ফংনিংঙাই ওই। উমং মৈ থাবদা চেন্নবশিং থারুক ফাওবা জেলদা থন্দ্গা লোয়ননা লুপা লীশিং ১০ ফাইন ওইনা থিহনবা য়াই। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙনবা মফম খরদা উমং মৈ চাকপগী থৌওং তোয়না থোরকপগী মতাংদা মেমোরেন্দ অসিনা হায়, উমংশিং অমাং অতা থোরকপা হায়বসি নুংনাংনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি। ঊমংদা হৌরিবা উপাল কয়ানা কার্বোনদাইওক্সাদ চুপশিল্লগা অকোয়বগী নুংশিৎ শেংহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবনি। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা মীপুম খুদিংমক্না উমং ঙাক শেন্দুনা থম্না হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়রি।

মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা চৈরাপ কোর্টতা ...

লামায় ১গী মখা... হায়রিবা মণিপুরগী এন আই এগী স্পেসল কোর্ট অসিনা স্পেসল ত্রাইএল কেস নম্বর ২ ওফ ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। লোয়ননা কেস অসিদা এক্যুইজ শিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই মঙাগী মথক্তা কোগনিজেন্স লৌখিবগা লোয়ননা নারেংবম সমরজিৎ অমসুং য়াম্বেম বিরেনগী মথক্তুনা নন বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌরগা অতোপ্পা এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অহুমগী মথক্তুনা সমন নোটিশ তৌখ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

লোয়ননা নন বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌখিবা মীওই অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন সমরজিৎ ফারবনিনা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী কোর্টতা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথনবগীদমক পুথোক্লবদা অয়াবা পীবীনবা হায়জখি।

এন আই এগী মায়কৈদগী পটিয়ালা হাওস কোর্টকী স্পেসল কোর্ট (এন আই এ), কোর্ট নম্বর-৫ অসিদা সবমিসন তৌরকখিবা ত্রাঞ্জিট রিমান্দ প্রেয়র অদুবু কোর্ট অসিনা কৃপ্পা খন্নরবা মতুংদা মসিগী স্পেসল জজ দিনেসকুমার শর্ম্মাদা পীখিবা ওর্দর অমদা এন সমরজিৎপু মহাক্কী মথক্তা চাজশীট ফাইল তৌরে হায়রিবা কেস অদুগা মরী লৈননা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুর ৱাইখোম তোনেন মৈতৈগী কোর্টতা পুথোক্লবগী অয়াবা পীখি।

এন সমরজিৎপু এন আই এগী কাঙবুনা পটিয়ালা হাওস কোর্টতা ত্রাঞ্জিট রিমান্দ লৌনবগীদমক পুথোরক্লে তাবদগী মহাক উননবা মহাক্কী পোকমিন্নবা ময়াম্বগী মচানুপা ১ অমসুং মনাওনুপা ১ কোর্ট কমপ্লেক্স অসিদা লাকখি। লোয়ননা মহাক্লা লিংখৎখিবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভেলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) গী লৈরিবা কম্মিটি অনীগী মনুংদা সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ময়াংলম্বম তোলেনবুসু পার্টি অসিগী হৌজিক ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পুরিবা ডা. এন জি বিজয় (এক্স এম এল এ) না থারকপনি হায়দুনা লাকখি হায়রি।

মখোয় অহুমগা নারেংবম সমরজিৎকী দিফেন্স কাউন্সেল ওইগদৌরিবশিংগনা এন আই এগী ওথোরিটিদা মহাক্কা ৱারী শানবগী মতম খরা পীবিনবা হায়জরকখি। মদুদা এন আই এগী মায়কৈদগীসু অয়াবা পীখি। অদুম ওইনমক শান্নগদৌরিবা ৱারীশিং অদু মৈতৈলোলদা শাবগী মহুত্তা ইংলিস নৎত্রগা হিন্দি লোলদা শাননবা এদভাইস পীখি হায়রি।

অয়াবা ফংলবা মতুংদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই ২, এন ঈ আই দি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি য়াওনা মহাক্কী দিফেন্স কাউন্সিল ওইগদবশিংগা মহাক্কা ৱারী শানখি। মদুদা এন সমরজিৎকী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা মঙোন্দা খুদোংচাবা নৎত্রগা খুদোংথিবা অমত্তা মায়োক্লবা লৈত্রি। এন আই এগী ওফিসলশিংনসু মহাকপু ফজনা লোয়নবীরি হায়বগালোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু মখোয়না চথরক্লিবা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক মপূং ফান কো-ওপরেসন পীরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

চাওরাক্লা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবা মহাক তঙাইফদনা কোর্টনা লৌখৎখিবা ত্রাঞ্জিট রিমান্দগী প্রোসিদিং অমসুং মহাক্কী ফেমিলিগী মায়কৈদগী লাকখিবা মীওইশিংগা উনদুনা ৱারী শাবগা লোয়ননা পূন্না পুং ১ রোম পাটিয়ালা হাওস কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরম্লবা মতুংদা অমুক হন্না এন আই এগী অখন্নবা টিম অদুনা মহাকপু অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলগা কোর্ট কমপ্লেক্স অদুদগী মখোয়গী কষ্টিদা অমুক হন্না পুরগা চৎখি হায়রি।

অদুম ওইনমক পাটিয়ালা হাওস কোর্টকী কোর্ট নম্বর ৫গী স্পেসল কোর্ট (এন আই এ) গী জজ দিনেসকুমার শর্ম্মনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা মহাকপু চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা পুথোক্লবগী অয়াবা পীখ্রবসু হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা করম্বা নুমিৎতা মহাকপু ইম্ফালগী কোর্ট অসিদা পুরক্কনি হায়বদুদি এন আই এগী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিদে হায়রি।

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী নুপীশিংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্ননবা হোৎনগনি: রেখা

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) :
ক্ষেত্রিগাও এ সীদা লৈরিবা নুপীশিংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্ননবা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি, হোৎনবা য়াবসু হোৎনগনি হায়না এ সী অসিগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী লোয়নবী নহাকপম রেখানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মখাদা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা নুপীশিংগী বুথ কম্মিটিশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং পীদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নহাকপম রেখানা ৪/৪০ নহারুপ মখা পাৎ অৱাং লৈকায়গী নুপী বুথ কম্মিটিগী মীওইশিংদা সমিয়ানা অমদি কর্নাৎশিং খুৎশিন্নখিবা অমসুং থমবালখোং লাইশ্রম লৈকায় ৪/৯ বুথ কম্মিটিগী নুপী মেম্বরশিংদা শেম্মোক লন্বী ওইনা শেলগী মতেং পাংখিবা থৌরমশিংগা মরী লৈননা নহাকপম রেখানা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ক্ষেত্রিগাও এ সী গী মনুং চনবা মফমশিংদা লৈবা নুপীশিংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা এম এল এনা পায়খৎলকপা থবকশিংগী শরুক অমা ওইনা নুপীশিংতগী ওইবা বুথ কম্মিটিশিংদা মখোয় মখোয়না পাম্বা থবকশিং তৌনবগীদমক পাংবা য়াবা তেংবাংশিং পীদুনা লাক্লি। মমাং থক্তগী তেংবাং পোৎলমশিং য়েম্মোক্তুনা লাকপগী মখা চথুরকপা ওইনা হন্দক অমুক নহারুপ মখা পাৎ অৱাং লৈকায় অমদি থম্বালখোং লাইশ্রম লৈকায়গী নুপীশিংগী বুথ কম্মিটিশিংদা তেংবাং পীবনি। এ সী অসিদা লৈরিবা নুপীশিংনসু শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎনননবা হোৎনবীয়ু। মদুদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংননবা মতম পূম্নমক্তা শেম শাদুনা লৈ হায়নসু নহাকপম রেখানা মখা তানা ফোঙদোকখি। তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা অদুদা তোংঙান তোঙানবা বুথ কম্মিটিশিংগী নুপী লুচিংবী কয়াসু শরুক য়াখি।

কুম্ভে মনুংদা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ষ্টেট পূম্নমক্তা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : মফম খরদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং য়ামখৎলকপা মরম্না হোলি অমদি ইদনা চিংবা কুম্ভে মনুংদা মীয়াম তিনবগা মরী লৈননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মিনিষ্ট্রি হোম এফেয়রসনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তা খঙহনখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভলানা চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মীয়াম তিনবা মফম পূম্নমক্তা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্লা চৎহননবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্স অমদি পুলিস ওথোরিটিশিংদা য়াথং পীগদবনি। তোঙান তোঙানবা কুম্ভে কয়ামরুম নকশিল্লকপা মরম্না মীপুম খুদিংমক ফেস মাস্ক উপহনবগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎহনগদবনি হায়নসু য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

চৈরকসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী কেস ৫৯,১১৮ হেনগৎলকপগা লোয়ননা মীওই ২৫৭ শিখ্রে হায়রি। লৌনগনবা লায়না লায়চৎ অসিগী অপূনবা কেস ১,১৮,৪৬,৬৫২ লৈবগী মনুংদা এক্টিভ কেস ৪,২১,০৬৬ নি। শিখিবা মশীংনা ১,৬০,৯৪৯ নি। লৌনগনবা লায়না লায়চৎ অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবগী ৱাখল্লোনদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভেক্সিন দোজ ৫,৫৫,০৪,৪৪০ কাপখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মহারাষ্ট্র, কেরলা, পঞ্জাব, করনাটকা, গুজরাট, টামিল নাদু অমসুং মধ্য প্রদেশতা অনৌবা কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপা থেংনরে হায়রি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুপা ৩ অমসুং নুপী ৩ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৬ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে।

পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসকী আর এ টিদা ২, এসিয়ন দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২, রাজ মেদিসিটিদা ১ অমসুং ককচীংদা ১ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২, থৌবালদগী ২, ককচীংদগী ১ অমসুং তেংনৌপলদগী ১ য়াওরি।

মণিপুরগী ওইনা কোভিদকী অপূনবা কেস মশীং ২৯,৩৭৩ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৯৩১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩,৪৪২নি। লায়না লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,৯৩৯ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৫১০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪২৯নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৫২নি। অদুগা কেস ৬০না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৫১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৯ য়াওরি।

অমরোমদা ঙসি কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ লাক্লিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী ফ্লাইট তোংদুনা ইম্ফালদা লাকখিবা মীওই ৭৭ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা অমত্তা থেংনখিদ্রে।

মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) :
কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী মরিশুবা মপোক কুমওন থৌরম অমসুং থৌরম অদুগা মরী লৈননা রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (আর ঈ দি) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ ইঞ্জিনিয়র পান্টিসিং থাইমৈ কবুইবু তরাম্না ওকপগী থৌরম মহাবল্লি কবুই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল লালবোন কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কৈরেন কবুই খুলগী ঙমগাকপৌ (খুলাকপা) কামৈ পৌদেটলুং কবুইনা চীফ গেষ্ট কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. হিরা কবুইনা প্রসিদেন্ট, আর ঈ দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র পান্টিসিং থাইমৈ কবুই, শওম্বুং দুইগাইপংজাং কবুই খুলগী ঙমগাকপৌ (খুলাকপা) কামৈ গাঙুঙে কবুই এল মাইতেম কবুই, শওম্বুং খুঞ্জাওগী খাবোনপি কামৈ গাগুমৈ কবুই অমদি রাগাইলোং কবুই খুলগী ঙমগাকপৌ (খুলাকপা) কে গাইঙমলুং কবুইনা গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল লালবোন কবুইনা য়ুনিয়ন অসি মণিপুরদা শাফোংলকখিবগী ৱারোল থমখি। লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা পাথোক্তুনা খঙহনখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কৈরেন কবুই খুলগী খুলাকপা কামৈ পৌদেটলুং কবুইনা, মণিপুরগী তম্পাক্তা মচোই মচোই তারিবা কবুইশিং অসি অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ঈং তপ্পা, চাওখৎ লমজেলদা চেনশিল্লসি হায়না ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীরদুনা কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. হিরা কবুইনা হায়খি, ঐখোয় মীয়াম পুনশিন্দুনা মুথরক্লিবা কবুই ফুরুপ অসি কন্ননবা হোৎনমিন্নরসি। ইপা ইপুগী নাৎ কন্নমিন্নরসি হায়খি।

কংলাদগী মৈ লৌবা

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : য়াওশঙ কুম্ভেগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা লোকেল ক্লব অমদি এন জি ওশিংনা শান্না খোৎনবগী থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক কংলাদগী মৈ লৌবগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম খরা থল্লক্লি। ষ্টেট অর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্টনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মার্চ ২৮ অমসুং ২৯ গী অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কংলাগী গেট অহুম মক্তগী চঙলগা মৈ লৌবা য়াগনি। লোকেল ক্লব নৎত্রগা এন জি ও অমমমগী ওইনা মীওই ৫ চঙবা য়াহনগনি। লাউদ স্পিকর শীজিন্নবা অমসুং কংলা মনুংদা গাড়ী চঙনবগী অয়াবদি পীরোই হায়রি।

পি সী আইগী টিমনা ...

লামায় ১গী মখা... হায়না লৌরিবা মীদিয়াগী থৌদাং চাউই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহনবগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা মীদিয়ানা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। অদুম ওইনমক নাকল নাম্মতগী ওইবা মীৎয়েংদা পাউ ফোঙদনবা হোৎনফম থোকই।

হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা পি সী আইগী টিম অসিনা মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল এম খৌতেগা উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি। মুক্লবগী ফীভম লৈবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং, নক্সলাইটকী ঈহৌ লৈবা মফমশিং অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা মীদিয়ানা লৌগদবা থৌদাংগা মরী লৈননা পি সী আইগী টিম অদু ষ্টেট অসিদা লাকখিবনি।

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)

#7005622203, 6009124946
ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 12th APRIL 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management,
Ex-Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs.
Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore
Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011.
Resecanal Manhunt Manipur 2014.
Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015.
Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014,
Manfeta Queen 2015 - 1st Runner Up,
Miss Ougri Photogenic 2015,
Miss Manipur Queen 2017,
Miss India Manipur 2017
Computer Courses :
Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
100% Job Placement Assistance
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6865/21/3 to 21/5 (Alt.)